## অঙাং ১০০ হেন্না শিখিবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা রাজস্থান হেল্থ মিনিষ্টর ওক্লবগী গ্রীন কার্পেট ৱাথোক ওইখ্রে



***জয়পুর, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
দিসেম্বর থাদা অঙাং ১০০ হেন্না শিখিবা রাজস্থানগী কোতাদা লৈবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অদুনা রাজস্থান হেল্থ মিনিষ্টর রঘু শর্ম তরান্না ওক্লবা ইরাই নুমিৎতা গ্রীন কার্পেট থাখিবা অদুবু ৱাথোক ওইখ্রে।

অঙাং ময়াম অমা শিখিবা হোস্পিটাল অদুনা হেল্থ মিনিষ্টরবু গ্রীন কার্পেট থাদুনা তরান্না ওক্লবগী ৱারেপ অদু ওপোজিসন বি জে পি অমসুং অতৈ কয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লকখিবদগী মিনিষ্টর অদুনা থুংলিদ্রিঙৈ হৈহাক্কী মমাঙদা জে কে লোন হোস্পিটাল এদমিনিষ্ট্রেসননা কার্পেট অদু অমুক লৌথোকখ্রে।

হোস্পিটাল অদুদা মহাকপু ওক্লবগী থৌরাংশিংগী মরমদা হংবদা মদুবু মহাক্লা খঙলকখিবদগী অদুগুম্বা অদু তৌদনবা ওফিসিয়েলশিংদা মহাক্লা খুদক্তা পাউতাক পীখি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর রঘু শর্মনা হায়খি।

হোস্পিটাল প্রিমাইজেস অদুদগী কোতা নগর নিগমনা য়ামদ্রবদা মফম মরাং খঙদনা লৈরিবা ওক ৫০ লৌথোকখ্রে। মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুগীদমক হোস্পিটাল মেনজমেন্ট অদুনা খোঙথাং কয়ামুক লৌখৎখি।

হেস্পিটাল অদুগী অকায়-অতোয় থোক্লবা শরুক য়ামরুম শেমজিনখি। ৱালশিং অঙৌবা তৈশিনখি অমসুং ইক্যুপমেন্ট পূন্নমক ঙরাং ঙন্না থৌরাং তৌখি।

চিল্ড্রেন ৱার্দশিংদা থবক শিজিন্নবা য়াদ্রবা রুম হিতরশিং অমসুং লাইটশিং শিন্দোকখি।

হোস্পিটাল প্রিমাইজেস অদু নুমিৎ ৫-৬নি চঙনা শেঙদোক্লকখি অমসুং ইরাই নুমিৎতা ওক শিং অদু মফম অদুদগী লৌথোকখ্রে হায়না কোটা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন কমিস্নার বসুদেব মালাবতনা হায়খি।

মরকসিদা হান্নগী এন সি দব্লিয়ু চিয়ারপার্সন মমতা শর্মনা হোস্পিটাল অদুদা অঙাং ময়াম অমা শিখিবা অদুগীদমক অশোক গেহলোতনা লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা দায়ত্ব পুগদবনি হায়রদুনা গভর্ণমেন্ট অদু মুখৎনবা দিমান্দ তৌখি। কোংগ্রেস ৱার্করশিংগী অকনবা প্রোটেষ্টকী মরমদগী মহাকপু হোস্পিটাল অদুগী মনুংদা চংবা য়াহনখিদে।

ঙরাং ইরাই নুমিৎতা হোস্পিটাল অদুদা নুমিৎ ১৫নিতা ঙাইরিবা অঙাং নুপীমচা অমা শিখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ ৩৪নিদা শিবা অঙাংগী মশীং পূন্না ১০৫ য়ৌখ্রে।

## শ্রীনগর হোস্পিটালদগী টেরোরিষ্ট ফাখ্রে

***শ্রীনগর, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
লাস্কর-ই-তাইবা (এল ই টি) টেরোরিষ্ট অমা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদগী ঙসি ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং কাশ্মিরগী মাদিপোর দিষ্ট্রিক্টকী হাজিন এরিয়াদা লৈবা মীওই নিশার অহম্মদ দরবু জে এন কে পুলিসকী স্পিসিয়েল ওপরেসন্স গ্রুপনা সিটি অসিগী শ্রী মহরাজা হরি সিংহ হোস্পিটালদগী ফাখিবনি।

মহাক পাকিস্টানি টেরোরিষ্ট অমা শিখিবা কুল্লান গন্দরবারদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবা অমদগী নাম্বোক্তুনা চেনখিবনি। টেরর ক্রাইম কয়মরুমদা টেরোরিষ্ট অসি ফাবা পামদুনা লাকখিবনি। মহাক এল ই টিদা য়াওই অমসুং অতৈ মখা তাবা অকুপ্পা পাউ ঙাইরি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

## শিব সেনাগী এম এল এ অবদুল সত্তর মহারাষ্ট্র মিনিষ্টর ওইবদগী রিজাইন তৌখ্রে



***ঔরঙ্গবাদ, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
মহারাষ্ট্রদা হন্দক্তা শেমখিবা শিব সেনা - এন সি পি-কোংগ্রেসকী মহা বিকাস অঘাদি গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইবা শিব সেনা এম এল এ অবদুল সত্তরনা মিনিষ্টর ওইবদগী রিজাইন তৌখ্রে হায়না ঙসি লিখুন কয়ামরুন্না ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী এম পি চন্দ্রকান্টা খায়রেগী মতুং ইন্না জিলা পরিষদকী মীখলদা কোংগ্রেসপু শিব সেনানা শৌগৎনবগী ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মতাংদা অবদুল সত্তরনা শাওখিবনি হায়রি।

মফম অসিদা লৈবা হোটেল অমদা সত্তরগা মহাক্লা ৱারী অমা শানখ্রে হায়না হান্নগী এম পি চন্দ্রকান্ত খায়রেনা হায়খি। হোটেল অদুদা বি জে পি এম এল এ অমসুং হান্নগী এসেমব্লি স্পিকর হরিভাও বাগ্রেসু লৈবা উখি। মহাক মরনাই থবক খরগীদমক হোটেল অদুদা লাকখিবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ই-পাউগী মীওইশিংদা ৱা ঙাংবদা এম এল এ অবদুল সত্তরগী মচানুপা শামীরনা হায়খি- মসিগী মতাংদা ঐহাক পাউ অমত্তা খঙদে, ঐহাক্লা হায়বা ঙম্বা হায়ববু মহাক শোয়দনমক মদুগী মতাংদা থুনমক ফোঙদোক্লকনি। ঙাইখিসি অমসুং য়েংখিসি, মসিনা হেন্না ফগনি।

দিসেম্বর ৩০দা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা কোংগ্রেস, এন সি পি অমসুং শিব সেনা লুচিংবা ৩৬ অদুগী মনুংদা অবদুল সত্তরসু অমনি।

## ট্রেনর এয়ারপ্লেন ক্রাস লেন্দিংদা ইনষ্ট্রক্টর অমসুং ট্রেনী পাইলোট শিখ্রে

***ভোপাল, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
মধ্য প্রদেশকী সাগর দিষ্ট্রিক্টকী ধানা এয়ারপোর্টতা ট্রেনর এয়ারপ্লেন অমা ঙরাং নুমিদাং ক্রাস তৌবদা ইনষ্ট্রক্টর অমা অমসুং ট্রেনী পাইলোট অমা শিরে। পাইলোটশিং ট্রেনিং তৌনবগী শিজিন্নবা সিঙ্গল ইঞ্জিন সেসনা এয়ারপ্লেন অদু চাইমস এভিয়েসন একাদমিগীনি। শিখিবা ইনষ্ট্রক্টর অদুনা অশোক মাকৱানা কৌই। ট্রেনি পাইলোট অদুনা পিয়ুস চান্দেল কৌই।

ট্রেনিংগী পাইরিঙৈদা লৌবুক অমদা ক্রাস লেন্দিং তৌখিবনি হায়না এয়ারপোর্ট লিখুলশিংনা হায়রি। খুদোঙথিবা থৌদোক অদু মফম অদুগী অথাবা লৈচিন অদুগী মরমদগী ওইরম্বা য়াই হায়না এদিসনেল এস পি শাগর, বিক্রম সিংহনা হায়খি।

প্লেন অদুনা পাইখৎখিবা মতমদা অথাবা লৈচিন থাখিদে, অদুবু নুমিদাং পুং ৮.৩৫ রোম তবদা খুদক্তা লৈচিন কুপ্পা থারকখি। পাইলোট অদুনা এয়ারষ্ট্রিপতা লেন্দং তৌনবা হোৎনরকখিবদা ময়েক শেংনা উবা ঙমদবদগী অনকপদা লৈবা লৌবুক অদুদা লেন্দিং তৌখিবনি হায়রি। ধনা এয়ারপোর্ট লৈরিবা সাগরগী রেহরিদগী এম এল এ ওইরিবা ওপোজিসন লুচিংবা গোপাল ভরগৱানা ইনষ্ট্রক্টর অমসুং ট্রেনী শিখিবা অদু অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## লৈবাক পূম্বনা সি এ এগী মায়োক্তা লৈ ঃ গুলাম নবি অজাদ



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
সেনিয়ার কোংগ্রেস লীদর অমসুং কাশ্মির লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা লৈবাক পূম্বসিবু নীংকহল্লে অমসুং মসিগী মায়োক্তা খুন্নাইগী কাঙলূপ পূন্নমক্লা লেপ্পি হায়খ্রে।

সি এ এগী ৱাথোক অসিনা লৈবাক পূম্বসিবু নীকহনখ্রে। খুন্নাইগী কাঙলূপ খুদিংমক য়াওনা লৈবাক অসি শিনবা থুংনা চথরক্লিবা অসিগুম্বা খোঙজং অসি ঐহাক্লা হৌখিবা দিকেদ কয়াদা অমুক্তা উখিদ্রি হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মির লুচিংবা অদুনা হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন পার্টি অয়াম্বনা বিল অদুগী মায়োক্তা লেপখি। মদুদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎতুনা ভোট পিখিবা রিজনেল পার্টি ৫ অদুসু হেজিক বিল অদু শৌগৎলম্লোইদবনি হায়বা খঙলক্লে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

## কম্মান্দরগী মথৌ-মঙমগী মাঙওইননা ইরাকতা প্রো-ইরান কনভোয়দা য়ু এসনা অমুক্কসু এটৈক তৌখ্রে



***বাঘদাদ, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
ইরানগী মকোক থোংবা জেনরেল অমা অমরেকাগী দ্রোন এটৈকনা হাৎখিবগী হেক নোংঙানবা ঙসি থাংজ নুমিৎতসু, ৱাসিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা প্রোক্সি ৱার অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা ইরাকতা য়ু এসনা প্রো-ইরান ফাইটরশিংগী মথক্তা অনৌবা এয়ারষ্ট্রাইক অমুক্কসু চথরকখ্রে।

ঙরাং ইরাককী কোনুং বাঘদাদতা য়ু এসকী প্রিসিজন দ্রোন এটৈকতা শিখিবা ইরানগী কুদস ফোর্স কম্মান্দর সোলৈমানি অমসুং ইরাক মিলিটরি হেভিৱেট অবু মাহদি অল-মুহানদিজকী অরোইবা মথৌ মঙমগীদমক থৌরাং তৌখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ অমগী মাঙওইননা অমেরিকানা ঙসি এটৈক অদু চথরকখিবনি।

ইরানগা য়ান্না নক্লবা মরী লৈনবা সিয়া-মেজোরিটি ফেক্সনশিংগী ইরাকি পেরামিলিটরি নেটৱার্ক ওইরিবা হাসেদ অল-সাবিগী কনভোয় অমদা য়ু এসকী অনৌবা এটৈক অদু চথরকখিবনি।

এটৈক অদু কনানা চথবনো হায়বা চপ চানা হায়খিদে। অদুবু ইরাক ষ্টেট টেলিভিজননদি মদু য়ু এস এয়ার এটৈক অমনি হায়খি।

বাঘদাদকী অৱাংদা চথরকখিবা এটৈক অদুদা মীওই কয়া শিখ্রে অমসুং শোকখ্রে হায়না অকক্লবা মশীংদি পীদনা পুলিসকী লিখুল অমনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ু এসকী নাকন্দগী ৱা অমত্তা ঙাংলক্ত্রি।

চহী অসিদা মিদ্দল ইষ্ট লমদমদা অহেনবা শক্তি শাগৎপা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অহেনবা লান্মী ট্রুপ ১৪,০০০ হান্ননা পুশিল্লক্তুনা থমখ্রে। ইরাকতসু য়ু এস ট্রুপ ৫,২০০ রোম লৈ। ৮২ শুবা এয়ারবোর্ন দিভিজনগী গ্লোবেল রেস্পোন্স ফোর্সতগী ট্রুপ ৩,০০০দগী ৩৫০০ ফাওবা কুৱাইটতা থারগনি হায়না পেন্টাগোননা হায়খ্রে।

## য়ু এসকী মথক্তা লমন খুমগনি ঃ ইরান প্রসিদেন্ট



***টেহরান, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
ইরান অমসুং রিজন অসিগী নিংতম্বা লৈবাকশিংনা রিভোলুসনরি গার্দস কম্মান্দর কাসিম সোলৈমানিবু ঙরাং ইরাই নুমিৎতা হাৎখিবা অদুগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মথক্তা লমন খুমগনি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা হায়খ্রে।

মিদ্দল ইষ্ট লমদমদা লৈরিবা ইরানগী খোঙবু লৈবাকশিংদা হায়বা ওইনা প্রসিদেন্ট রৌহানিনা অচৌবা লৈবাক ইরান অমসুং রিজন অসিগী অতৈ নিংতম্বা লৈবাকশিংনা ক্রিমিনেল অমেরিকাগী তমথিরবা ক্রাইম অসিগীদমক লমন খুমগনি হায়বসিদা চিংনবা লৈতে হায়খি।

লান্দারকপা অমসুং ক্রিমিনেল অমেরিকাগী মীহাৎ অদুনা ইরান অমসুং রিজন অসিগী লৈবাক পূন্নমক্কী থম্মোয় শোকহল্লে হায়না ইরানিয়ান গভর্ণমেন্ট ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রসিদেন্টনা হায়খি।

জেনরেল কাসিম সোলৈমানি শিখিবা অদুনা ইরান নেসন অমসুং অতৈ মনিং-মখা তম্বা লৈবাকশিংনা অমেরিকাগী মায়োক্তা লেপ্পা ফিরেপ শরুক অনী হেন্না চেৎশিনহল্লি। মসিগী অপঙবা অরানবা থবক অসি অমেরিকাগী উপাই লৈতবগী অতোপ্পা সঙ্গিৎ অমা উৎপনি অমসুং রিজন অসিদা মখোয়গী অশোনবদু তাকচবনি হায়না প্রসিদেন্ট রৌহানিনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াদা ইরানগী এম্বেসেদর ওইরিবা দোক্টর আলি চেগেরিনা এটৈক তৌরকখ্রবা লৈবাক অমনা মশা ঙাকথোকচনবগী হক পূন্নমক লৈ হায়খ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মথক্তা খূৎ হন্দুনা এটৈক চথনবগী ওইথোক্লিঙাই লৈ হায়না মহাক্লা হায়খি।

ঐখোয়না খূৎ হনগনি হায়বসি ঐগী গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে। অশেংবমক্লি, এটৈক তৌরকখ্রবা লৈবাক খুদিংমক মশা ঙাকথোকচনবগী আইননা য়াবা হক লৈ মসি মহৌশানি হায়না ইরান এম্বেসেদর অসিনা মখা তাখি।

## ইরান জেনরেলগী অৱাবা ফোঙদোক্লবা ইরাকতা 'ডেথ টু অমেরিকা' লাওদুনা মীওই লিশিং কয়া থোক্লকখ্রে



***বাঘদাদ, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এসকী নোংথক্তগী চথবা এটৈক অমনা অনীমক হাৎখিবা, ইরানগী কম্মান্দর কাসিম সোলৈমানি অমসুং ইরাকি পেরামিলিটরি চীফ অবু মাহদি অল-মুহানদিজগীদমক ঙসি পাংথোকখিবা অরোইবা মথৌ-মঙমগী খোঙচৎতা 'ডেথ টু অমেরিকা' হায়বা খোল্লাও লাওদুনা মীওই লিশিং কয়া থোক্লক্তুনা শরুক য়াখ্রে।

বাঘদাদকী সিয়া পিলগ্রিমেজ দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা কাধিমিয়াগী অকোয়বদা মীয়াম অদু পুনখি অমসুং লৈঙাক্লা শিন্দুনা পাংথোক্লিবা, মকোক থোংবা শক্নাইরবা মীওইশিংনা শরুক য়াগদৌরিবা অরোইবা মথৌ-মঙম অদুগী মফম গ্রীন-জোন গভর্ণমেন্ট অমসুং দিপ্লোমেটিক দিষ্ট্রিক্ট অদু তন্না লাকখি।

বাঘদাদ এয়ারপোর্টকী হেক মপানদা ইরাক অমসুং ইরানগী মোটোরকেদকী মথক্তা ঙরাং অয়ুককী য়ু এসকী এটৈক অদুদা ইরাকি ৫ অমসুং ইরানিয়ান ৫ পুন্না মীওই ১০ শিখি।

লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং অদু ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ খামেনৈগী শক্তমশিং পুবা খরা য়াওনা অমুবা ফিজোল শেংপা সমুদ্রগুম পাক শন্না তিল্লিবা মীয়াম অদুগী মরক্তা ফাওদুনা পুরকখি।

লৈখিদ্রবা ইরানিয়ানশিংগী হকচাং অদু ঙসি থাংজগী নুমিদাংৱাইরমদা ইরানদা প্লেননা পুখ্রগনি। জেনরেল সোলৈমানিগীদমক লৈবাক অদুনা নুমিৎ হুন্নি অৱাবা ফোঙদোক্লবা লাওথোকখ্রে।

মহাক্কী অরোইবা মথৌ-মঙম ময়াই থংবা ইরানদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম তাউন কেরমনদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাংথোক্কনি।

ইরানগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা রিভোলুসনরি গার্দসকী কুদস ফোর্সকী কম্মান্দর জেনরেল সোলৈমানি অসি টেহরানগী খ্বাইদগী হেন্না শক্নাইরবা মিলিটরি কম্মান্দরনি লোয়ননা মিদ্দল ইষ্টতা ইরানগী হেনগৎলক্লিবা শাফু অদুগী আর্কিটেকনি।

## মালেমনা গল্ফতা অতোপ্পা লান অমগী পোৎলুম পুবা ঙম্লোই ঃ য়ু এন চীফ গ্যুটরেস



***য়ুনাইটেদ নেসন্স, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এসনা দ্রোন এটৈকশিং চথদুনা ঙরাং ইরাককী কোনুং বাঘদাদতা ইরানগী মকোক থোংবা মিলিটরি কম্মান্দর কাসিম সোলৈমানি হাৎখিবদুগী মখা তারকপদা গল্ফ রিজনদা অতোপ্পা লান অমগী পোৎলুম অমমুক পুবা মালেমনা ঙম্লোই হায়না ঙরাং য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গ্যুটরেসনা চেকশিন-ৱারোল অমা পীখ্রে।

গল্ফতা উংখৎনবশিং ৱাখৎলকপগী মতাংদা হকচিন্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা সেক্রেটরি জেনরেলগী দিপুটি স্পোক্সমেন ফরহন হকনা হায়খি, সেক্রেটরি জেনরেলনা গল্ফতা উংখৎনবা হম্বুহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরক্লি। হন্দক্কী উংখৎনরিবশিং অসিদা মহাক হকচিন্না নুংনাংই।

লৈরিবা তাঙ্কক অসি লুচিংবশিংনা শোয়দনমক অঙম্বা থাক্তা ৱাখল ফাথনা থবক তৌগদবা তাঙ্কক অমনি হায়না য়ু এন চীফনা হায়খি। মালেম অসিনা গল্ফতা অতোপ্পা লান অমগী পোৎলুম অমা অমুক পুবা ঙম্লোই হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা অয়াবা পীদুনা চথবা দ্রোন এটৈকতা ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দস কোরগী শক্তি লৈরবা কুদস ফোর্স লুচিংলিবা জেনরেল সুলৈমানিবু ঙরাং বাঘদাদতা হাৎখিবনি।

শাংলবা মতম অমদগী হৌনা জেনরেল সুলৈমানিনা অমেরিকান লিশিং কয়া হাৎখ্রে অমসুং শোকহনখ্রে। অতৈ কয়া অমসু হাৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ট্বিট তৌখি।

## পাকিস্টানদা গুরদ্বারা ননকানা সাহিবতা খূৎপু অমনা এটৈক তৌখিবা অদুবু ইন্দিয়ানশিং অমত্ত ওইনা কন্দেম তৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৪(এজেন্সি)ঃ***
পাকিস্টানদা ননকানা সাহিব গুরদ্বারাদা মীওই খূৎপু অমনা এটৈক তৌখিবা অদুবু পোলিটিসিয়ানশিং, শান্নরোইশিং, লাইনিংগী ইনষ্টিট্যুসনশিং য়াওনা ইন্দিয়ানশিং অমত্তা ওইনা কন্দেম তৌখ্রে।

দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা গুরদ্বারা অদুদা এটৈক তৌখিবা মীওই খূৎপু অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং সিখশিংগী মথক্তা ওৎ-নৈবা চথবা য়ারোই হায়খ্রে।

পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনসু গুরদ্বারা ননকানা সাহিবতা অকি-তুজুং মায়োক্নদুনা লৈরিবা লাইনিংলোইশিং অদু ঙাক্লবা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা আপিল তৌখ্রে অমসুং গুরদ্বারা অদুবু কোয়শিন্দুনা লৈরিবা অশাওবা মীয়াম অদুদগী লাইনিংফম অদুবু কন্নবসু আপিল তৌখ্রে।

গুরদ্বারাদা খূৎপু অমনা নুঙনা থাজিল্লকখিবা অদুবু মুস্লিম বোদি জামাত-ই-ইস্লামি হিন্দনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং চেন্নরিবশিং অদু ফানবা দিমান্দ তৌখ্রে। মখোয় অদু ফাগদবনি অমসুং পিলগ্রীমশিং অদু সেক্যুরিটি পীগদবনি হায়না পাকিস্টান গভর্ণমেন্টতা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না জামাত প্রসিদেন্ট শদাতুল্লাহ হুশৈনিনা হায়খি।

ইন্দিয়াগী স্পিন্নর হরভজন সিংহনা ঙসি পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা মথৌ তাবশিং তৌনবা আপিল তৌখি।

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী লুচিংবী ময়াবতিনা পাকিস্টানদা লৈবা গুরদ্বারা অদুদা মীওই খূৎপু অমনা নুঙনা থোমজিন্দুনা চথখিবা এটৈক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে, লোয়ননা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমমুক থোক্লকপা থিংনবা হিরম অসিদা খূৎ থীংজিন্নবা সেন্ট্রেল গেভর্ণমেন্টতা আপিল তৌখ্রে।


কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা এটৈক অদু দায়ত্ব লৈতবগী থৌওংনি অমসুং মীপুম খুদিংমক্কা অমত্তা ওইনা কন্দেম তৌগদবনি হায়খ্রে।

দিল্লি সিখ গুরদ্বারা কমিটিনা পাকিস্টান এম্বেসি মপান্দা প্রোটেষ্ট চথখ্রে। দিল্লি সিখ গুরদ্বারা মেনেজমেন্ট কমিটি (জি এস জি এম সি) অমসুং সিরোমনি অকালি দলগী মেম্বরশিংনা দিল্লিদা লৈবা পাকিস্টান হায় কমিসনগী মনাক্তা ঙসি প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হরসিম্রট কৌর বাদলনা মীওই খূৎপুগী এটৈক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং পাকিস্টানদা মাইনোরিটিশিং ওৎ-নৈ হায়বগী অশেংবা মশক অদু থৌদোক অসিনা উৎলে হায়খি।

মশা নারিবী সিখ লৈশাবী মচা জগজিত কৌরবু ফাখিবা অমসুং ইস্লামদা ওন্থোকখিবা মোহমেদ হাসনগী ইমুংনা মীওই খূৎপু অদু লুচিংলকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা চথবা পুলিসকী থবক প্রোটেষ্ট তৌনবা শ্রাইন অদুদা মহাক্না নুংনা থোমজিনহনখিবনি হায়না পাকিস্টানি লিখুলশিংনা হায়খি।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ



## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-349**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | | 1 | 4 | | | 3 |
| | | 3 | 7 | | | 5 | | 2 |
| 5 | 1 | | 2 | | | 7 | | |
| | 5 | 9 | 1 | | | | 2 | |
| 3 | | | | 7 | 2 | 1 | | |
| 7 | 2 | | | 5 | | | 3 | |
| 2 | | | 3 | | 5 | | 4 | |
| | 3 | 8 | 9 | | 7 | | | |
| | | 5 | | 2 | | | | 9 |

## GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : 06/11/19
Valid : 04/11/19
Stk : 576
Time : 07.30 to 1 0.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 14/11/19
Valid : 08/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 1 0.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/11/19
Sl. No. : 6370
Valid : 04/11/19
Sl. No. : 5561
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalaxmi Indane**
Booking : 11/11/19
Valid : 06/11/19
Sl. No. : 283984
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Loktak Indane**
Booking : 10/12/19
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 23/10/19
Valid : 18/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 05/11/19
Valid : 02/11/19
Sl. No. : Up to 200
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**সনা-সুদোকু-৩৪৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 5 | 8 | 6 | 9 | 7 | 4 | 2 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 2 | 9 | 6 | 4 | 7 | 5 | 8 | 1 | 3 |
| 9 | 7 | 3 | 6 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 |
| 6 | 8 | 2 | 9 | 5 | 4 | 1 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 1 | 7 | 2 | 3 | 9 | 6 | 8 |
| 5 | 3 | 9 | 1 | 4 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 1 | 2 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 | 7 | 9 |
| 7 | 6 | 4 | 2 | 9 | 8 | 3 | 5 | 1 |